# হুইয়েন লানপাও

The messenger of the masses


এস এম দি সীনা শীন্দুনা অৱাং লোংঙা কোইরেং গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা পাঙথোকপা লিটরেরি মীট ২০১৮ থৌরমগী মনা য়েন্থোকপা



লামায় ১

পি এল এগী ৪০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লূপ অসিগী বেজ এরিয়াদা পাঙথোকপা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম



লামায় ১

এম য়ুগী ফাজিনখিবা মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মহৈরোয়শিংনা প্রোটেষ্ট তৌবা



লামায় ৫

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উৎলৌদা লৈবা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল সাইন্সেসকী মেন বিল্ডিং কমপ্লেক্স শঙ্গাবগী থৌরম



লামায় ১

Vol. 42, Issue No.183 | য়ুমশকৈশা, লাংবন ১৬নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, September 26, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৮০.৮৭

দীজল : লিটরদা লুপা ৭২.১১

## লিটরেরি মীট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ : অৱাং লোংঙা কোইরেং গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল (উতোংলোক)গী স্কুল মেনেজিং দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এস এম দি সী)না শীন্দুনা ঙসি স্কুল অসিদা লিটরেরি মীট পাঙথোকখ্রে হায়না এস এম দি সীগী কনভিনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, প্রোগ্রাম অসিদা অকোয়বদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা তোঙান-তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি। প্রোগ্রামশিং অদুদি ক্বিজ কম্পিটিসন, সোং কম্পিটিসন, রিসাইটেসন, দিস্কসন টোপিক- ইন্দিয়ন ওক্যুপেসনেল ফোর্স (আই ও এফ) হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন ইন মণিপুর হায়বা অসিনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কেটামিন ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ : হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নাকোর্টিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি), সেনাপতি পুলিস অমসুং থৌবাল পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৩০,০০০; কেটামিন বোট্টল ৪,৮৩২; রেদ সেন্দলৱুদ কিলোগ্রাম ১৭০৩.৮৬; শেল ওইনা লুপা ৪৭,০০০; হ্যুন্দাই গেজ কার (এম এন ও ১ কে/৯০২৬); অলটো কে ১০ কার (এ এস ও ১ বি এফ/২১৮৩) অমসুং অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও দল্লিয়ু বাসুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মথক্তা পনখিবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা মীওই ৩ ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদি ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 85.617048 |
| US Dollar | 72.707694 |
| British Pound | 95.648427 |
| Australian Dollar | 52.702492 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.574503 |
| Japanese Yen | 0.644394 |
| Malaysian Ringgit | 17.577165 |
| Norwegian Krone | 8.943484 |
| Singapore Dollar | 53.227990 |
| South Korean Won | 0.065007 |
| Swedish Krona | 8.272462 |
| Turkish Lira | 11.842528 |
| Myanmar Kyat | 0.04567 |
| Bangladesh Taka | 0.86521 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
| --- | --- | --- | --- |
| Chennai | – | Rs | 31475.94 |
| Mumbai | – | Rs | 32245.99 |
| Delhi | – | Rs | 32139.04 |
| Kolkata | – | Rs | 32449.20 |

## HL POLL

**Q :** Maheiroi lupsingna kouriba pung 48gi Manipur Bandh asida BJP na tumminna leigani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

**Q :** Fajinkhiba oja amasung maheiroising thadoklaga MU da tangdu leitaba fibam leigani khanbra?

Yes 47% No 53%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!

পান্দেগী বন্দ কৌরিবসিবু চুমব্রা?




চুম্বা নত্রগা লানবা খঙদে, মাঙজরিবসিদি ঐখোয় খক্তনি...!

# ক্রাইমদা চেন্নবশিং মীরেপ ওইহন্দনবা পার্লিয়ামেন্টনা লো শেমগদবনি : সুপ্রিম কোর্ট

**'মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি), মেম্বর ওফ লেজিসলেটিব এসেমব্লি (এম এল এ)শিংনা উকিল ওইনা থবক তৌবদা অকায়বা লৈতে'**

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিং মীখলদা মীরেপ ওইহন্দনবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টনা মতিক চাবা লো শেম-গদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রনা লুচিংবা জজ মঙাগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা ঙসি হায়খি, ক্রিমিনেলশিং পোলিটিক্সতা চঙলকপগা মরী লৈননা লো শেম্বদা শাশিন্নবা কেস ফাইল তৌরকপা য়াহন্দনবা ৱাফমসু য়াওহনগদবনি।

বেঞ্চ অদুনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ক্রাইমদা চেন্নবা মীওইশিং মীখলদা মীরেপ ওইহনগে হায়রবদি চেন্নরিবা ক্রাইমশিং অদু পাউচেদা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্কদবনি। মীরেপ ওইগদবা মীওই অমগী মথক্তা কেসশিং পন্দুনা লৈবা তারবসু মাংজৌননা লাউথোক্তুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

ক্রিমিনেল কয়া পোলিটিক্সতা চঙলকপনা দেমোক্রেসিগী মশক থীহল্লে হায়না পল্লদুনা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কা মীখল মতমদা অপীবা ফোর্ম অমদা মীরেপ ওইগদবা মীওই পূম্নমক্কী অকুপ্পা ৱারোলশিং মরিক চুম্না মেনশিনগদবনি। কোর্টনদি ক্রাইমদা চেন্নবা এম এল এ নৎত্রগা এম পিশিং দিসক্কালিফাই তৌরোই। অদুমওইনমক পার্লিয়ামেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা লো অমা শেম্বা তঙাইফদে।

চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রানা লুচিংবা বেঞ্চ অদুদা জষ্টিস এ এম খনৱিলকর, জষ্টিস রোহিন্টন নারিমান, জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমদি জষ্টিস ইন্দু মলহোত্রাসু য়াওখি।

বেঞ্চ অদুনা হায়খি, পোলিটিসিয়নশিংগী মথক্তা শেমজিন-শাজিনবা কেস ফাইল তৌরকপা ঙমহন্দনবা হোৎনফম থোকই। রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্টকী মতুংইন্না কনভিক্ট তারবা এম পি নৎত্রগা এম এল এশিং মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াদে। অদুবু ক্রাইমদা চেন্নে হায়না মরাল শীরকপা মীওইশিংগী মতাংদদি থোইদোক্না অথিংবা লৈতে।

অমরোমদা, চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রা, জষ্টিস এ এম খনৱিলকর অমদি জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদকী বেঞ্চ অমনা হায়খ্রে মদুদি, এম পি অমসুং এম এল এ ওইরিবা মীওইশিংনা উকিলগী শীনফমদা থবক তৌবদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবা এম পি অমদি এম এল এশিংবু লৈঙাক্না তোলোপ পীবা পর্মেনেন্ট ইমপ্লোয়ী ওইনা লৌবা চুমদে।

অতোপ্পা ৱায়েল অমদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা হায়খ্রে মদুদি, মীওই অহুম্না শাবা কম্মিটি অমা শেমদুনা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা জেলশিংগী ফীভম য়েংশিনহনগদবনি।

হান্নগী চীফ জষ্টিস অমিতাব রোইনা চ্যেরমেন ওইরগা লৈঙাক্কী ওফিসর অনীনা মেম্বর ওইগদবা কম্মিটিনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা জেল ১,৩৮২ দা থল্লিবা প্রিজনরশিংগী ফীভম য়েংশিনহনগদবনি। জেলদা লৈরিবা প্রিজনরশিংসু মীওইবনিনা প্রিজনরশিংগী রাইট চপ চানা ফংহনগদবনি।

# মিরাবাই চনুদা খেল রত্না এৱার্দ পীখ্রে

## সৌগ্রাপম বিজয়াদা টেঞ্জিং নোর্গে নেসনল এদভেঞ্চর এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে



ৱেটলিফটর মিরাবাই চনুদা খেল রত্ন এৱার্দ শীন্নবা



লেফটনেন্ট কম্মান্দর সৌগ্রাকপম বিজয়াদা এৱার্দ শীন্নবা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস): মণিপুরগী ৱেটলিফটর মিরাবাই চনু অমসুং ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন বিরাট কোহলিদা রজিব গান্ধি খেল রত্না এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে।

রাস্ত্রপতি ভবন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা এৱার্দ অদু খুৎশিন্নখি। এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) রাজ্য ৱর্ধন রাথোর অমদি অতৈ শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংদা পীবা খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা রজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দ ফংবা মণিপুরগী শান্নরোয় মিরাবাই চনুনা অহুমশুবনি। মহাক্কী মমাংদা অহানবা ওইনা মণিপুরগী ৱেঠলিফ্টিং শান্নরোয় এন কুঞ্জরানীনা, অনীশুবা ওইনা বোক্সর এম সী মেরি কোমনা খেল রত্ন এৱার্দ ফংখিবা লৈখ্রে।

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা চহী অসিগী ওইনা দ্রোনাচার্য্যা এৱার্দ, অর্জুনা এৱার্দ, ধ্যান চান্দ এৱার্দ, রাস্ত্রিয়া খেল প্রোটসাহন পুরুস্কার, টেঞ্জিং নোর্গে এদভেঞ্চর এৱার্দ অমদি মৌলানা অবুল কলাম অজাদ ট্রোফিসু লান্থোকখি।

দ্রোনাচার্য্যা এৱার্দ ফংখিবা মীওইশিং অদুদি বোক্সিংদা সুবেদার চেনন্দা অচায়া কুটাপা, ৱেটলিফটিংদা বিজয় শর্ম্মা, টেবল টেনিসতা দে শ্রিনিবাসা রাও, এথলেটিক্সতা সুখদেব সিংহ পনু, হোকি (লাইফ টাইম)দা ক্লারেন্স লোবো, ক্রিকেট (লাইফ টাইম)দা তরক সিনহা, জুদো (লাইফ টাইম)দা জিৱান কুমার শর্ম্মা অমসুং এথলেটিক্স (লাইফ টাইম)দা ভি আর সিদুনি।

অর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি এথলেটিক্সকী নিরাজ চোপ্রা, এথলেটিক্সকী নাইব সুবেদার জিনসন জোন্সন, এথলেটিক্স হিমা দাস, বেদমিন্টনগী নিলাকুর্থি শিকি রেদি, বোক্সিংগী সুবেদার সতিস কুমার, ক্রিকেটকী স্মৃতি মন্ধনা, গোল্ফকী সুভাঙ্কর শর্ম্মা, হোকিগী মনপ্রিট সিংহ, হোকিগী সবিতা, পোলোগী রবি রাথোর, সুটিংগী রাহি সার্নোবাট, সুটিংগী অঙ্কুর মিটাল, সুটিংগী শ্রেয়াসি সিংহ, টেবল টেনিসকী মনিকা বত্রা, টেবল টেনিসকী জি শাথিয়ান, টেনিসকী রোহন বোপানা, রেস্তলিংগী সুমিত, ৱুসুগী পুজা কাদিয়ান, পেরা এথলেটিক্সকী অঙ্কুর ধামা অমসুং পেরা বেদমিন্টনগী মনোজ সরকারনি।

ধ্যান চান্দ এৱার্দ ফংখ্রবশিংদি অর্চরিগী সত্যদেব প্রসাদ, হোকিগী ভারত ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মোবাইল ইন্টর্নেট থিংখিগদৌরি

# এম য়ু ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্নবা ৱারী শানসি : সী এম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা মখা তানা মোবাইল ইন্টর্নেট সর্ভিস থিংখিগনি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, তোঙান-তোঙানবা মহৈরোয় লূপশিংনা কৌরিবা পুং ৪৮গী মণিপুর বন্দ অসিনা ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা থোকহল্লকপা য়াবা মরম্না মোবাইল ইন্টর্নেট সর্ভিস অসি মখা তানা থিংবগী তঙাইফদবা লৈরি। ফীভম হেক ফগৎলকপগা অকক্নবা মতম অমা লৈতনা হাংদোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্নবা ৱারী শানসি হায়না ষ্টেকহোল্ডরশিং অমসুং মহৈরোয় লূপশিংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌখ্রে। মীয়ামগী পেন্দবা অমসুং ৱাথোক খুদিংমক ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উৎলৌদা লৈবা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল সাইন্সেসকী মেন বিল্ডিং কমপ্লেক্স শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা বন্দ, ব্লোকেদকী চৎনবী লৈহন্দবা পান্মী। ইশু খুদিংমক ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপা য়াবা ঙাক্তনি। ৱারী শান্নরোই, ঐখোয়না তৌরিবমখৈ য়াগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন তোকপিরো। ঈরাং লৈবা মফমদা মী চঙনিংদবনি। অদুনা মপান লৈবাক অমদি অতোপ্পা ষ্টেটতগী লমকোইবা অমদি ইনভেষ্টরশিং লমদম অসিদা লাকপগী চাং য়াম্না হন্থরে। মসিনা লমদম অসিগী শেনমিৎলোন্দা চাওনা অকায়বা পী।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা হীরম অমগীসু হেক বন্দ তৌবগা ইমপ্লোয়ীশিং থবক লেপ্পা, মহৈ তম্ফমশঙশিং ছুটি পীবগী চৎনবী থাদোকসি। চৎনবী অসি লৈরিবমখৈ খুন্নাই অসি অদুম শোন্থরগা লৈগনি। মীওই খরনা মণিপুরসি পুনিংবা ...মখা লামায় ৩ কলম৪

# খোঙজং লেপত্রবদি এম য়ু চীংদা হোংগদবনি : টি এস এ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংনা খোঙজং লেপ্পিবগা লোয়ননা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙফম হন্দোকপিয়ু হায়না থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (টি এস এ)না ফোঙদোরক্লি।

টি এস এগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি কমশাংলেন সিংশিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হয়েং অহিং নোংয়াইদগী সেপ্তেম্বর ২৮ গী নোংয়াইফাওবা এমসু, এম এস এফ, কে এস এ, সুক, দেসাম অমদি এইমসকী অপুনবা লূপনা কৌরিবা পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চীংগী মফমশিংদা শৌগৎলোই। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিনা মহৈরোয় লিশিং কয়াগী কেরিয়রদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) অমসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)না প্রোফেসর এ পি পান্দেবু ভাইস চান্সেলরগী ফমদগী লৌথোক্লবা খোঙজং চঙশিল্লিকখিবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, খোঙজং ...মখা লামায় ৩ কলম৪

# পি এল এগী ৪০ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫: রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী লান্মী শঙলূপ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী ৪০শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি।

রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্টকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থোকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অসি পিপলস লিবরেসন আর্মিগী জেনরেল হেদক্বার্টরস, টেক্নিকেল কম্মান্দ, ষ্ট্রেটেজিক কম্মান্দ, ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়ন, অতৈ লান্মীগী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেসনশিং লোয়ননা পার্টিগী সেন্ট্রেল ব্যুরো, এস আর-১, এস আর-২, এস আর-৩, এস আর-৪ গী মফমশিংদা পার্টি অসিগী ফিরালদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা অমদি ইমা লৈবাক নিংতম্নবগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোকখি।

এক্সটর্নেল এফ্যেরস দিপার্টমেন্টকী ওফিসতসু আর পি এফকী সেক্রেটরি জেনরেলনা চিংদুনা পি এল এগী ৪০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ...মখা লামায় ৩ কলম২

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা রেইদ চথখিবা থম্মোয় পান্দবা লুচিংবা অমগী থৌওংনি : গাইখাঙম




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫(ঐচএনএস): ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট অমসুং সোসল ৱার্কর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎনা কোংগ্রেসতা খোঙদারকপদা নুংঙাইবা ফোঙ-দোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱাংখৈ কোংবদা লৈবা বিক্রমজিৎকী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখা-ঙম্না হায়খি, ৱা ঙাঙগন্দবা থবক্না উৎপা মীশক অমা ওইরিবা বিক্রমজিৎনা খ্বাইদগী লিরবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা খোঙদারকপসি নীংশিংনিঙাই ওইবা তানফম অমনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অহিং নোংয়াইদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কেম্পসতা লান্দাখিবগী থৌওং বৈজিংগী ট্যানানমেন স্কৱারদা মহৈরোয়শিংদা চথখিবা তমথিবা থৌওং অদুদগী হেল্লি হায়না লৌবা য়াই।

থৌরম অদুদা বিক্রমজিৎনা হায়খি, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ঐগী মীনি, মাগী মীনি হায়বগী খাইবুং-খাইবুংগী ৱাখল্লোন অদু ...মখা লামায় ৩ কলম ২





